# ইশাগী দায়ত্ব খঙনা থবক তৌরবদি চাউখৎ লমজেলদা য়াঙশিনবা ঙমগনিঃ কে শ্যাম

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৩ ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা মহাক মহাক্কী লৌফম থোকপা থৌদাং অদু লৌবা তারবদি খুন্নাই অসি চাউখৎ লমজেলদা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিনবা ঙমগনি হায়না কঞ্জ্যুমর এফেয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী মিনিষ্টর কে শ্যাম্না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ৱাঙ্খৈ থাংজম লৈকাই অয়াংপল্লি রোদতা নৌনা শাবা ৱাঙ্খৈ অয়াংপল্লি পেট্রোলিয়ম শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর কে শ্যাম্না হায়, খুন্নাই অসিদা লৈমিন্নবিরা মীপুম খুদিংমক অসি ঐগী ঐগী লৌফম থোকপা দায়ত্ব লৈরিবনি। মীপুম খুদিংমক্তা মহাক মহাক্না লৌফম থোকপা দায়ত্ব অদু লৌনরবদি খুন্নাই অসি মশানা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইবা তাবনি।

মহৈরোইশিংনা মহৈরোইশিংগী দায়ত্ব লৌরবা, মমা মপা ওইবশিংনা মমা মপাগী দায়ত্ব লৌদুনা খুন্নাই অসিবু চাউখৎ লমজেলদা মাঙ থানা চংশিনবা ঙম্নবা হোৎনবা দরকার ওই হায়খি।

মণিপুরদা হৌজিক প্রোত্রেলিয়মগী রিটেল আউটলেদ অসি পুন্না ৯৮ লৈরে। মসিগী মনুংদা আই ও সিগী আর ওনা ৭৭ নি, বি পি সি এলগী রিটেল আউটলেটনা ১৭ নি অদুগা এন আর এলনা ৪ নি।

হন্দক নোং চুদুনা দিমাপুর লম্বী নিংখায়বা, জিরি লম্বীদা চীং নিং খায়রবসু মণিপুর মীয়ামদা থাউগী অমসুং গ্যাসকী অৱাবা লৈহনখিদে। মসি মপুং ওইনা দায়ত্ব লৌরগা থবক তৌনবদগীনি।

রিটেল আউটলেট তৌরিবশিংনা শেন্দোংগী নৎত্রগা করবারগী মওংদা থবক তৌদনা ইশাগী ইথৌ অমা ওইনা মীয়ামদা পেট্রোলিয়ম ৱাৎহন্দনা পীবা অমসুং অশেংবা থাউ মীয়ামদা ফংহনবা তারবদি মীয়ামদা থাউগী নৎত্রগা গ্যাসকী অৱাবা লৈরোই লোয়ননা মদুনা চাউখৎপা শোয়দনা লাক্কনি হায়খি।

খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কা দায়ত্ব খঙনা থবক তৌরবদি মদুগী কান্নবসু লাক্কনি। গভর্ণমেন্ট অসিবু মীয়াম্না পংঙাং ঙাং পংশকশক তৌরবসু গভর্ণমেন্ট অসিনা ইশু কয়াদা লৌফম থোকপা দায়ত্ব লৌরি। প্রোব্লেম অমা থোরকপদা মদু খুদক্তা ৱারোইশিন পুরকপা ওইথোক্তবা য়াই অদুবু লমদম অসিদা মায়োক্নরিবা ইশু কয়া অসিদা গভর্ণমেন্টনা প্রজাশিং শান্তি লৈনা হিংবা ঙম্নবা থবক লৌখত্তুনা লাক্লি হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অমা ওইনা লৌফম থোকপা দায়ত্ব অদুদগী লৈথোকপা লৈতে। মাগী মাগী পার্টিগী থাক্তা ওইরবসু, গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ওইরবসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা প্রেসর পীরগা লাক্লি।

হৌখিবা আগষ্ট ১১ দা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম ভিলাস পাসৱানগা দিল্লিদা পুন্না থৌরম অমা য়াওবা মতমদা মণিপুরগী ইশু কয়া অসি প্রাইম মিনিষ্টরদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী খুত্থাংদা মেমোরেন্দম পীশিনখি। লমদম অসিগী ইশু কয়াদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মণিপুরগী রিটেল আউটলেটশিং অসি সি এ এফ এন্দ পি দিগী মখাদা লৈত্রবসু মসিবু দিপার্টমেন্টনা অকনবা মওংদা কন্ট্রোল তৌদুনা য়েংশিন্দুনা লাক্লি হায়নসু মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী এম এল এ টি ঐচ শত্যব্রত্তনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং, ব্রহ্মচারিময়ুম নাউচা শর্ম্মনা থৌরম মপু অমসুং আই এম সিগী ৱার্দ নম্বর ২০গী কোর্পোরেটর এল তোম্বী দেবীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লিবা সাহিত্যগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৩ ঃ

মণিপুর লিটররি সোসাইটিনা শীন্দুনা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ আগষ্ট ১৩গা মরী লৈননা অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লিবা হায়বা সহিত্যগী থৌরম অমা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জেলিয়াংরোং কলচরেল সোসাইটিগী সেক্রেটরী আর ঐচ হাওমৈ, রাইটস য়ুনিয়নগী জোইন্ট সেক্রেটরী এম এ হসিম অমদি মণিপুরগী লিটররি সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট শমুরাইলাৎপম প্রহ্লাদ শর্ম্মানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরম অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপকী অইবশিংনা নাৎকী ফিজেল শেৎতুনা লৈবাক নীংবগী শৈরেং শৈদিন্নবদা শরুক য়াখি।

# মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী ৱাফম এপিএসসিনা ইকাই খুম্নবীয়ু

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৩ ঃ

হৌখিবা চহী ২০১৬দা মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিস্ন (এপিএসসি)না লৌখিবা মণিপুর সিভল সার্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটেটিভ (মেন) ইগজামদা খনখ্রবা কেন্দিদেট ৮২গী পাউখুমচেশিংগী সার্টিফাইদ কোপিশিং পীখৎনবা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসননা এমপিএসসিদা খঙহনখিবা ৱাফম অদু ইকায় খুম্নফম থোকই হায়না গ্রুপ ওফ এসপিরেন্টসকী কোকনভেনর হরিশ্বর নামৈরাকপমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, এদভোকেট টিঐচ লুসিনা মণিপুর সিভিল সার্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটেটিভ (মেন) ইকজামদা খনখ্রবা কেন্দিদেট ৮২গী পাউখুমচেশিংগী ফোটোকোপিশিংগা লোয়ননা ফঙখিবা মার্কশিংগী টেবুলেসন সিট আরটিআইএক্ট ২০০৫কী খুত্থাংদা পীবিনবা থাখিবা পিটসন অমগী মখা চত্থরকপা অপিল কেস নম্বর ১৭ ওফ ২০১৮গী পাউখুম মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিস্ননা থাসিগী ১০দা লাউথোকখিবা ৱাফমবু এপিএসসিনা ইকায়খুম্নবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

# সিব সেনানা অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৩ ঃ মরৈবাক মজাতিগীদমক ফাঁসিগী শগাই নোক্না নোক্না কাদুনা থৱায় কথোকখিবা অথৌবশিংগী মফমদা সিব সেনা মণিপুর ষ্টেনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎকখ্রে।

ঙসি পার্টি অসিগী বাবুপরাদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরমগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা হায়, ইং ১৮৯১গী আগষ্ট ১৩দা বৃটিশকী মখূত্তা মায়থিরগনি হায়বা খঙনা খঙনা লমদম অসিবু কন্নবগীদমক্তা হনবা লৈতনা চঙশিনখিবা অথৌবশিং অদুগী মরক্তগী ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবা অথৌবশিংগী মফমদা পার্টি অসিনা কোক নোনলি।

সিব সেনানা মহারাষ্ট্র কন্নবগীদমক মারাঠাশিংনা হোৎনখিবা অদুগুম্না সিব সেনানা মণিপুর অসি কন্নবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা মফম অসিদা চঙলকখিবনি।

পার্টি অসিনা মণিপুরবু অমুক হন্না নৌহৌননা কন্দুনা লংথবালদা কোনুং শেমদুনা লৈরমখিবা মহারাজ নরসিংহ অমসুং মহারজ গম্ভিরসিংহ অনীবু সিব সেননা ঙসিদগী লাৎপা হৌরগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী ঙমখৈগীদমক হিরম অমত্তদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই। মণিপুরগী ঙমখৈদা শিংনবীরক্কনু, নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট লোইশিল্লগনি হায়বা পাউ তাই। নাগালেন্দখক্তদা চৎনগদবা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১(এ) অসি মণিপুরদা চৎনহনবা য়ারোই।

সিব সেনানা মণিপুরগী লম কন্নরিগুম্বা হিরম অমত্তদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই। লৈরিবা ৱাফম অসিদা আর্টিকল ৩৭১(এ) অসি মণিপুরদা চৎনহনলকপা তারবদি মদুদা থোক্লকপা অফ ফত্তগী দায়ত্ব সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা মমা লৈবাক্কীদমক হন্দুনা চেনগনি হায়বা লৈতে। অদুবু সেন্তরদা সাসন তৌরিবা গভর্ণমেন্ট অসি করিগুম্বা খরা তৌগদৌবগী মমি অমা উরিবা অসি য়েংলগা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবা তাই।

# এমএফএলগী কুমওনগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরকখ্রে

ঙরাংগী মখা...

লালহৌবগী শীনফমদা মীরোৎ ওইরবশিংগী তাঙইবঙপান, অমরোমদা মপান্দা ফোঙ্না লৈবশিংগী তাঙইবঙপান, তাইবঙপান অনীসিগী পুন্সি মরেন মান্নবা-মান্নদবা কয়া লৈ। অদুবু অনীসি অমনা অমদা ইথিলদি পীনে। ফত্তে খঙলবা মপানগী ইথিৎলদি ঐখোয়দা চঙহল্লোইদবনি। মসিনা ঐখোয়গী য়াওল খোঙচৎতা য়ৈখাই থিনগাইবা পীরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। নুংশিজরবা কমরেদশিং, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লমজেল তান্নবা হায়বসিগা পূন্না চৎমিন্নবা হায়বসিগা অনীসি মচঙদা খেন্নে। খেন্নবসি ঐখোয় খঙমিন্নসি। লমজেল তান্নবদদি অকল অথৌ উৎনৈ, কল্লক-কঞ্জাওবা পোক্লে, অমনা অমবু নমথনবা হোৎনৈ অমদি লমথুং ফম য়ৌবদা অহান অকোন নাই। পূন্না চৎমিন্নবা হায়বসিদা, অশোন-অনা, অকল্ল-অথৌ থিদনা, অচাওরম অমত্ত য়াওদনা অমগা অমগা মতেং পাঙ্নদুনা, অৱা-অনা পুমিন্নদুনা মতম অমত্তদা লমথুংফম চপ মান্ননা য়ৌমিন্নে। পূন্নসু চৎমিন্নবা অদুগা লমজেলসু তান্নবা হায়বসিগী মথৈং করি ওইফম থোকই।

ঐখোয়গী পান্দম অমত্তনি হায়রগসু ঐখোয় পূন্না থবক তৌমিন্নবগী অশেংবা কাংলোন অদুদি হান্ননা থিমিন্নবা চঙই।

পুৱারীগী তৌরে তুথেক খুদিংমক্তা ঐখোয়গী লমনি করম্না শেমগৎকন্দগে হায়বসিগী লম্বী থিবা লেপ্লোইদবনি। ময়াং লান্মীগা ঐখোয়গী য়াওল লান্মীগা খেন্নবা মচৎ অদু মশক থোক্না উৎকন্দবনি। ঐখোয়দি মীয়ামগীদমক কথোক্লবা য়াওল লান্মীনি। অদুগা ময়াং লান্মীদি ইমুং-মনুং থাক্লবা লান্মী ওইবনি। য়াওল লাম্ছোংনা মতম শাংনা চত্থরক্লিবা মখৈ, মখল-মখা কয়াগী অরুবা ফিভমশিং মায়োক্নরকপা হায়বসিসু মশানা তবা ৱাফমনি। ফিভম খুদিংমক্তা ঐখোয় খঙ্না খঙ্না লোইন্না শীংনরকপা খূদিংমক মায়োক্লবনি। মদুতদা ঐখোয় খুদিংমক মরু চঙবা লান্মী অমমম ওইবা ঙমগদৌরিবনি। অকা-অকুম নাইবা য়াওলগী ফিভম পূম্নমক্তা ঐখোয় হোৎনবা লেপ্পা য়াদে। 'তম্বা' অমসুং 'থিজিনবা' হায়বসিগী মপান নাইবা নত্তে। চেয়ারমেন মাওনা হায়বিরম্মী। পিপলস লিবরেসন আর্মি হায়বসি লান্মীশিংগদি অচৌবা স্কুল অমা ওইহনগদবনি। অসিগুম্বা চাওরবা স্কুল অসিদা ঐখোয়গী লান্মীশিংনা লৈশেল্লোন, লান্মীগী তৌগদবা থবকশিং অমসুং নাৎ তমগদৌরিবনি। মহাক্না অসুম্নসু মখা তারম্মি ঃ আর্মি য়ুনিট খুদিংমক অসি লৌউ-শিংউবা, শীন্নরোল অমদি মীয়ামগা লোয়নবা হায়রিবা লমশিং অসিগী মনুংদা লম অমদা নৎত্রগা লম অমা অনীদা থবক তৌদুনা লৈহনগদবনি। মসি হায় হায়দুনসু মতম অমতদা লম অহুম্মকসিদি ফাংজিন্নদুনা তৌহল্লোইদবনি। অসুম্না থবক শু-নোম্বা অসিনা লান্মীশিংগী তঙাইফদ্রবা চঙদবা য়াদবশিং অদু খরা মখৈদি মেনখৎপা ঙমহনগনি। কোমরেদশিং, ঐখোয়গী হোৎনজমল মহৈনা য়াওল লাম্ছোংগী লিক্লমদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্লসি। অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা হায়বসিগী ৱাহন্থোক্তি ঙসিগী ওইরক্লিবা য়াওলগী ফিভমগা চান্ননা চুম্নবা ৱাখল মীৎয়েং থবক্তা পানশিন্দুনা অনৌবা খোঙথাং লৌখৎপা হায়বনি। খোঙথাং অসিনা য়াওলবু খূৎমাঙ চাওশিলহনগনি অমদি মসি লেপ্তুনা চত্থদুনা লৈগদবা থৌওংঅমনি হায়না পাউজেল চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

লমায় ১ গী মখা

# এমসিএসসিসি (ম্যেন)–২০১৬তা খনখ্রবা কেন্দিদেট...

আরটিআই এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ৬(১)গী মতুং ইন্না ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অসিনা দিমান্দ তৌরকখিবনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা এমসিএস, এমপিএস, এসদিসি, এমএসএস, ইওশিং হাপ্নবগীদমক এমপিএসসিনা লৌদুনা সেপ্টেম্বর ৯, ২০১৬তগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ২৩, ২০১৬ ফাউবদা পাঙথোকখিবা এমসিএসসিসি (ম্যেন) ইগজামিনেসন ২০১৬ অদুদা পোইন্ট অনীখক্তা মসিগী পাউখুমশিং পীয়ু হায়বনি।

পোইন্টশিং অদুনা ইগজামিনেসন অদুদগী সেলেক্সন তৌখ্রবা কেন্দিদেট ৮২গী অন্সর সিটশিংগী স্কেল তৌরবা কোপিশিং অমসুং ইগজামিনেসন অদুদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেট পূম্নমক্কী মার্ক টেব্যুলেসন তৌরবা সিটশিং পীবিয়ু হায়খিবনি।

অদুগা আরটিআই পিটিসন অসিনা ফেব্রুৱারি ২৮, ২০১৭দা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা কোর্টসিদা ফাইল তৌনরকখিবা কেসশিং দব্লীয়ুপি (সি) নম্বর ৮০৩ ওফ ২০১৬, দব্লিয়ুপি (সি) নম্বর ৮১৭ ওফ ২০১৬ অমসুং দব্লিয়ুপি (সি) নম্বর ৬০ ওফ ২০১৭কী কম্মন জজমেন্টকী পেরা নম্বর ৬৫গা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবনি।

অদুবু আরটিআই পিটিসন অসিগী জুলাই ৩, ২০১৭ তা এসপিআইও-এমপিএসসিনা পীরকখিবা পাউখুমদা পীয়ু হায়দুনা তাল্লকখিবা পোইন্ট অনীগী ইনফোর্মেসন অসি অরাটিআই এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ১১গী মতুং ইন্না পিটিস্নার অসি থার্দ পার্টিগী মায়কৈদগী তাল্লকপা ইনফোর্মেসন নত্তবনা ওইবনা পীথোকপা য়াদ্রে হায়দুনা পাউখুম পীরকখিবনি।

অদুগী পাউখুমসিদা পেন্দ্রবা পিটিস্নরনা আরটিআই এক্টসিগী সেক্সন ১১(১)গী মখাদা ওক্টোবর ১০, ২০১৭ এফএএ /এমপিএসসিদা অহানবা অপিল ফাইল তৌরকখিবনি।

অদুবু ফাষ্ট অপিল অসিগী পাউখুমদসু পীয়ু হায়দুনা তাল্লকখিবা ইনফোর্মেসন অসিদি থার্দ পার্টিদা খত্তা পীগদবনা পীথোকপা য়াদে হায়দুনা নভেম্বর ৮, ২০১৭তা অমুক্কসু পীথোকউ হায়বা য়ারকখিদবনি।

মসিদগী পিটিস্নর এদভোকেট টিঐচ লুসিনা অনীশুবা অপিল অমা আরটিআইএক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ১৯(৩)গী মখাদা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী কেস দব্লিয়ুপি (সি) নম্বর ৫০৫ ওফ ২০১৭গী জজমেন্টকী রিফরেন্স লৌরগা ফাইল তৌরকখিবনি।

অনীশুবা অপিল অসিগী কেসকী প্রোসিদিংশিং চত্থরকপদা ৱাথোকসিজগা মরী লৈননা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্টশিং, মীওই অনীনা শাবা ইনক্কারি কমিতিগী রিপোর্ট শুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরবা স্পিসিয়েল লিভ পিটিসন (এমএলপি)গী মতাং য়াওনা চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারি ৫, মে-১৭, জুন ১, ২১ জুলাই ১০ অমসুং ২০দা হিয়ারিংশিং পাঙথোক্লগা থাসিগী ১০দা অরোইবা ৱারেপ পীখিবনি।

হৌজিক্তি অরোইবা ৱারেপসিগী মতুং ইন্না আরটিআই পীটিস্নর অসিনা নুমিৎসিদগী পারগা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা মহাক্না তান্দুনা লাক্লিবশিং ফংলগনি। অদুম ওইনমক মসিদা সেলেক্সন তৌখ্রবা কেন্দিদেট ৮২গী মমিং মথাশিংদি মুত্থৎলক্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি পাঙথোকখ্রিবা ইগজামিনেসন অদুদা অন্সর স্ক্রিপ ৫৭৬৪দা সুপরভাইজরশিংনা সহি তৌরমদবনি। অন্সর সিট ৯৩দনা ইগজামিন্নরনা সহি তৌরমখিদবনি। অদুগা ইগজামিন্নরগী সহি য়াওদনা অন্সর স্ক্রিপ্ট ৫২৩দনা মার্কশিং শেমদোক্লমখিবনি।

# মফম কয়াদা কোম্বিং চত্থখ্রে

মখা লৈকায়দা লৈবা য়ুম ৩০ রোমদা চঙ-চঙদুনা থিবা হুন্বা চত্থবগা লোয়ননা নুপা ২৫ অমসুং নুপী ২২ ভেরিফাইদ তৌখি। মদুদা চিংনবা মীওই অমনা লৌখৎখ্রে। কোম্বিং ওপরেসন অদু ইম্ফাল ইষ্টকী এদিস্নেল এসপি এম কুমারজিৎকী মীৎয়েং মখাদা এসআই বি দেবসননা লুচিংদুনা চত্থখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অতোপ্পা টিম অমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা কোম্বিং ওপরেসন চত্থখ্রে। অদুবু চিংবা মীওই অমত্তা লৌখৎখিবা লৈতে।

ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী অতোপ্পা টিম অমনা মহাবলি হাওকিপ বেঙ্ক কোম্বিং ওপরেসন চত্থখ্রে। মদুদা নুপী নুপা পুন্না মীওই ৭২৫ রোম ভেরিফিকেসন তৌবদা মশাগী শক্তাক চে পুথোকপা ঙমদবা মীওই ২২ রোম মখাতাবা ভেরিফিকেসন চত্থনবা পুলিস পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা লৌখৎখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দা ওসি বি লুংথাং ভাইফেনা লুচিংবা কম্মান্দো টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৫দগী ৬ ফাওবা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৮,৯ অমসুং ১১গী জগদা কোম্বিং ওপরেসন চত্থখ্রে। ওপরেসন অদুদা য়ুম ৫৩রোমদা চঙ-চঙদুনা থিবা হুন্বা চত্থবগা লোয়ননা মীওই ১৭১ ভেরিফাইদ তৌখি। অদুবু চিংনবা মীওই অমত্তা লৌখৎখিবা লৈতে হায়রি।

# পেসেঞ্জর সার্ভিস নোংমা লেপ্তুনা...

চৎনরপা য়াবগী ফিভমদা লাক্লিবা অসিগী মায়োক্তো য়ুসিএম অমদি অতৈ লূপ কয়ানা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংদা শরুক য়ারদুনা থা অসিগী ১৬ শগোলশেন নুমিৎতা পেসেঞ্জর চেল্লিবা গারীশিং ওটো, মেজিক, ৱিংগর অমদি ট্রান্সপোটর সোসাইটিশিংনা পুনশিন্দুনা নোংমগী শীম্বা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

নুমিৎ অসিদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা দ্রাইভরশিংনা গারীগী ষ্টিয়ারিং পায়দনা অমদি নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৮দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মশাগা লোয়নরকপা গারীশিং পরেং শান্না খামদুনা পুন্না খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

খোঙজং চঙশিনগদবা লম্বী পরেং অদুদি শগোলবন্দ মৈনো লৈরক মচিদগী তেরা কৈথেল ফাওবা, কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদগী শঙাইপ্রৌ ফাওবা, মোইরাং খোম বাজারদগী লিলোং ফাওবা, কোনুং মমাঙ ট্রাফিক আইলেন্দগী কোংবা থোং ফাওবা, কোংবদগী অয়াংপল্লি লম্বীদা জেনিমস গেট ফাওবা, চিংমৈরোং খোঙ্নাং অনী কারক্তদগী লম্লোং কৈথেল ফাওবা, কোনুং মমাঙ ট্রাফিক আইলেন্দগী পোরোম্পাৎ লম্বীদা অনন্দসিংহ হায়র সেকেন্দরি একাদেমি ফাওবা, চেক্কোনদগী টৈলিপতি লম্বীদা লম্লোং ফাওবা, উরিপোক মচিন্দগী নাওরেমথোং ফাওবা, জেনিমস মেন গেট ফাওবা লম্লোং কৈথেল, কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদগী ময়াই লম্বী (জননেতা রোদ)তা পিশুমথোং ফাওবা অমসুং লম্লোং কৈথেলদগী চাইরেনথোং ফাওবনি।

পাঙ্মীশিংগা উন্নবা অদুদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা এসোসিয়েসনশিংগী অপুনবা জেএসিগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

# ফ্রেম্বার্ক এগ্রিমেন্ট শৌগৎতুনা খোঙচৎ চৎখ্রে

কনাগুম্বা লন্নাই মীওই অমত্তনা গ্রুপ নৎত্রগা ফেক্সন অমত্তগী পাউ পীথোক পীশিন তৌবা মীওইশিং ওইরোইদবনি। মসিগী মায়োক্তা লাক্লবদি মহাক মশাগী ফুরুপতগী তোঙান তাহনবগী চৈরাক ফঙগনি।

লোয়ননা অন্দরগ্রাউন্দগী ফেক্সন অমত্তগী মীওইশিংনা মীচম মীয়ামগী মরক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈশিল্লোইদবনি অমসুং নোংমৈ পায়দুনা পব্লিক এরিয়াদা চংলোইদবনি হায়বা ৱারেপ্নচিংবসু লৌখি।

# ভেটরান কম্মুনিষ্ট অমদি লোক...

ওল ইন্দিয়া সিভল লিবর্সিটি য়ুনিয়ন লিংখৎতুনা কম্মুনিষ্টশিংবু জেলগী লৌথোকপদা চাওনা মতেং পাঙখি।

অপোকপা নিরমল চন্দ্রনা লৈখিদবদগী হাংদুনা লৈবা লোক সভা সিট মেনশিন্নবা বাই ইলেক্সনদা সোমনাথ সিপিআই (এম)না শৌগৎতুনা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা ১৯৭১দা ইহান হান্না মায় পাক্তুনা লোক সভাগী মেম্বর ওইখি। মতম অদুদগী ২০০৯ ফাওবা (১৯৮৪দগী ১৯৮৯ ফাওবা নত্তনা) লোক সভাগী মেম্বর ওইখি হায়না সিপিআই (এম) ষ্টেট সেক্রেটরী কেএসঐচ শান্তনা ফোঙদোরক্লি।

লূচিংবা অসিনা লৈখিদবসি লৈবাক্কী ওইনা মাংজবনি হায়রদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি।

সিপিআই ষ্টেট কাউন্সিলনসু লেফ পার্টিগী লুচিংবা অমসুং শক্লাইরবা পার্লিয়ামেন্টেরিয়ান সোমনাথ চত্তর্জিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমারনা ময়াই ফমদুনা ইরাবত ভবন ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফমদা লৈখিদ্রবগী মফমদা রেদ সেল্লুট পীবগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। শরুক য়াখিবা লুচিংবশিংনা সোমনাথ চত্তর্জিনা শুরিবা নোল্নিবা মীয়ামগীদমক পার্লিয়ামেন্টকী মনুং অমসুং মপান্দা লৌরম্বা থৌদাংশিং নৌহৌননা নীংশিংখি হায়রি।

# চীফ মিনিষ্টরস পুলিস মেদল...

টু দিয়ুটিজ ফঙগদবশিংনা নোনে দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এসপি রোকে এমপিএস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এসপি (লো এন্দ ওর্দর) লুইখম লনমিয়ো এমপিএস, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট মাও পুলিস ষ্টেসনগী সব ইন্সপেক্টর টিমোথে রোনামৈ, কম্মান্দো ইম্ফাল ৱেষ্টকী সব ইন্সপেক্টর টিঐচ সুরজ সিংহ, ৪শুবা আইআরবিগী সুবেদার এম দিমরতন সিংহ, ২শুবা এমআরগী হবিলদার (নম্বর ০২২০০৭২৪৫) আই দোরেন্দ্রো মৈতৈ, ৮শুবা এমআরগী হবিলদার (নম্বর ০৮২০০৭২৪) দব্লীয়ু বিশ্বজিৎ সিংহ অমসুং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী হেদ কন্সটেবল কুৱালথিয়ানথাংনি হায়রি।

# মণিপুর কৈদৌঙেদা কাইরোই, থুগায়বসু ঙম্লোইঃ সিএম

মখোয় অসি হৌজিক অউ অউবা চিকপগী মওংদা লৈরবনি। ঐখোয় হনবা য়াদে, প্রজাশিংনা বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসিবু শৌগৎলি হায়বসি উরবা ঙাক্তনি।

ৱাথোক লৈতবা লৈবাক লৈতে, ৱাথোক অদু লোইশিন্নবা হোৎনবা গভর্ণমেন্টকী মথৌনি। এম য়ুগী ৱাথোক অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তাপ তাপ পায়রগা হেক্তা তৌবা য়াদবা ওইখিবগী তৌবনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঙম্বা মফমদদি কন্না হোৎনদুনা থা ১৫ হেনবা অসি ৱাথোক লাকহনখিদবনি। সেন্টরনসু ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিদা মতেং পাঙগনি। ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ এন্দ ভিলপমেন্টকী জোইন্ট সেক্রেটরী ভি সি হোসুর ইম্ফালদা এম য়ুগী ৱাথোক অসিগা মরি লৈননা লাক্কনি। হয়েং মুসু, মুটা অমসুং মুসাগী মীহুৎশিংগা উন্নরবা য়াবগী থাজবা লৈ। ৱাথোক অসি য়ান্নবা অমা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি।

বোর্দরগী ৱাফম অসিগী মতাংদা য়েংলবসু হন্দক সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়া য়াওনা এম ঐচ এ, এম ই এগী মীহুৎশিং য়াওনা লাকখিবা অদুনা খ্বাইদগী চাউবা দেলিগেসন ওইরগনি। মসি সেন্টরনা মণিপুরগী মীয়ামগীদমক খল্লগা থারকখিবনি।

ইং ১৯৬৭ তা তৌনখিবা বাউন্দরি এগ্রিমেন্টকী মখাদা য়ুংখিবা মেইন পিল্লর অদু লেঙদে, মরক্তা সবসিদিয়ারি পীল্লর খরা য়ুংলকপদা ত্রেদিস্নেল বাউন্দরিদা খরা চেন্নবা লৈরম্বা য়াই হায়না কিরেন রিজিজুনা হাউসতা খুমখিবনি। লোয়ননা ৱাফম অদু ওঠোরিতিদা হায়নগনি হায়খিবা লৈরিবনি। করিসু নুঙনাঙনিঙাই লৈতে।

বি জে পি গভর্ণমেন্টকী ৱাখল্লোনদি, ইপা ইপুশিংনা থল্লম্বা ঙমখৈ অমসুং অপুনবগী শক্তম অদু ঙাক্লগা থল্লম্বা অদু চপ চাবা ফিরেপ ওইনা চঙশিল্লি। বি জে পিদি চিন্না ঙাংদে থবক ওইনা উৎলি। মণিপুর অপুনবনি হায়বসি থবক ওইনা উৎলি, মাওদা মপান্দগী মতোপশিং চেক তৌনবা সেক্যুরিতি কনখৎহনলি, অসামগী এন আর সিগী ৱাফম লাকপদগী জিরিবামদা অহেনবা সেক্যুরিতি ময়াম থাজিন্দুনা মীকুপ নাহুম শিংনা শেন্নহল্লি। মোরেদা মপান্দগী চঙলকপা মীতোপশিং চঙলকপা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মোরেগী প্রজাশিং য়াওনা থেংনমিন্নরি।

গভর্ণমেন্ট অসি প্রজাশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নরি। হান্না পুমথা থাদোক্তুনা সেক্রেটরিয়েটতগী লৈবাক ঙাক্লম্বা অদু নত্তে, গ্রাসরুটতগী হৌরগা প্রজাশিংগা চৎমিন্নবা গভর্ণমেন্টনি হায়বা থবক্লা উৎলিবনি।

মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমসুং নিংতম্বা ঙাক্লবা থৱায় থাখিবা চীংগী ইচিল ইনাউশিং গভর্ণমেন্ট অসিনা শকখঙবা ওইনা লম্ফেলদগী শিজ হোস্পিতাল তাবা লম্বী অসি চিরাই নাগা রোদ হায়না মিং থোন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে লোয়ননা জেনিমস রোদ অসিবুনা মতম অদুগী অথৌবা পুখ্রম্বম কাজাওগী মীংদা থোন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌদুনা লাওথোকখ্রে।

নাগাশিং মণিপুর কনবদা য়াওদে হায়না য়েংনরিবনি। ইতিহাসতা য়াওদুনা লৈরবা অদু ইকাই খুম্নবা হোৎনরমদে। মণিপুর কন্নবা হোৎনবদা নাগা, কুকি য়াওখিদে হায়বা য়াররোই। চৎকদবা য়াম্না ৱাৎলি। গভর্ণমেন্ট অসি চিংথুনবা নাকলদগী, য়েৎলোম মাইরোমদগী থা অমা অনী অসিদা ইনলক্লি। অদুবু করিসু ৱাবিগনু গভর্ণমেন্ট অসি প্রজাগা চৎমিন্নরি।

শক্তি পায়রিঙৈদনা এন্টি ষ্টেট ওইবা, এন্তি নেসনেল ওইবা, নোংমৈ লোন্না য়োম্ছোকপা অদুগা শক্তি পায়দ্রবা ওপোজিন্দা লৈরবা মতম অসিদনা লৈবাক পংনুংদা নুংশিবগী মওং য়াম্না কা হেন্না নুংশিরকপা য়াওদবা নত্তে। অদুবু মসি প্রজাশিংনা লোইনা উরিবনি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা থবক খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লি। নহা কয়া থবক তৌহনগদৌরি, লাইরবা কয়াদা খুদোংচাবা কয়া পীরক্লি। য়ুম য়ুমদা গ্যাস পীবা, অনা লায়েংবগী কার্দ পীবগী থবক চত্থরি।

লাক্লিবা আগষ্ট ১৫দা প্রাইম মিনিষ্টরগী হকশেলগী প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা আয়ুসমান ভারতকী থৌরাং ষ্টেট অসিদসু হৌদোক্লগনি। মসিদা হান্না চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাংগী থৌরাং অদুগা পুনশিন্নবা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনরে। হান্না লুপা লাক্ষ ২ পীরম্বা অদু লুপা লাক্ষ ৫ ফংবা য়ারগনি। লায়রববু মান্নবা থাক্তা পুখৎনবা সাসন অসিনা হোৎনরি হায়খি।

করিগুম্বা থৌদোক অমা থোকপদা জাতি ফুরুপ ওইনা পুশিন্নবা হোৎনবদা সোসিয়েল মেদিয়াদা লান্না শন্দোকপা লৈতবা নত্তে, মসি তৌবিগনু। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চীংমৈরোংদা তাম্ভুল নুপা অমা চেক্লা শুরগা থাংমৈবন্দদা হুন্দারে। দাক্লম্বা অদুদা চেন্নবা মীওই ফারে।

গভর্ণমেন্টনা চাংয়েং ওইনা সিসিটিভি কেমেরা ৬০ রোম খিন্দুনা য়েংশিল্লি। মদুগী রেকোর্দ অদুদা য়েংলগা মীওই অদু ফাগৎপনি হায়খি। লৈবাক অসি ঐখোয় পুন্না ঙাকমিন্নগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি কে এস ঐচ ভবানন্দনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মিনিষ্টর, এম এল এ কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা মীয়াম্না অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

# মণিপুরগী লমদা খূৎ থিংজিনবিরক্কনু ঃ কংগ্রেস

ঐখোয় অসি অদুগুম্বা কথোকপদা হালেংদ্রবা মমা লৈবাক্কীদমক ফাঁসি শগাই কাদুনা শিরগনি হায়বা খঙলবা ফাওবদা পুন্সি কথোকখিবা ইপা ইপুশিং অদুগী মচা মশু ঙাক্তনি।

ঙসিগী অসিগুম্বা নুমিৎ অসি নীংশিংবগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অথৌবশিং অদুনা পীরম্বা থৌনা লিংজেল অদু মতম পূম্নমক্তা নীংশিংদুনা ইমা লৈবাক্কী অপুনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা নুমিৎ অসি মরু ওইবা নুমিৎ অমনি।

মরম অসিনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমসুং ইন্দিয়াগী অপুনবা শক্তম অসি ঙাকমিন্ননবা হোৎনরসি হায়না মীয়ামদা আপীল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা নাগা তাবা লমশিং পুনশিন্নবা ৱারেপ লৌবা অসি অনৌবা নত্তে। মদু নাগালেন্দ মনুংগী ওইবা য়াই। মদুদা করিসু হায়নিঙাই লৈতে।

লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা নাগা, কুকি, মীতৈ, মীতৈ পাঙ্গল ওইবা য়াই ইশা ইশাগী তোপ তোপ্পা হিষ্টরি লৈগনি। নাগালেন্দ মনুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মখোয়না তৌনিংবা তৌবদা ঐখোয়না করিসু হায়নিঙাই লৈতে।

অদুবু নাগাশিংনা নাগালেন্দদা ৱারোইশিন পুরকপদা কায়বা লৈতে অদুবু মণিপুরগী লমদি ইঞ্চি অমা শোক্লবা তৌরক্লবদি নাগালেন্দ ওইরবসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট ওইরবসু শুকয়া য়াবা ঙম্লোই। হৌজিক্কিদা নত্তনা মতুংদসু মণিপুরগী লমদা অকায়বা য়াওরক্কদবা ৱাফমশিং শুকয়া য়াবা ঙম্লোই হায়খি।

ও ইবোবিনা মখা তানা হায়, নাগা তাবা লমনি হায়দুনা মণিপুরগী লম অসিদা ক্লেম তৌরকপা তারবদি মদু য়াবা শুকঙম ঙম্লোই। মদুগা মরী লৈননা ওইরম্বসু য়াই লাক্লিবা অগষ্ট ১৬ তা অখন্নবা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম অমা কৌরিবা অসিদা রুলিং ওপোজিসন হায়বা নায়দনা মণিপুরগী ওইনা লৌবা য়াবা ৱারেপ লৌগনি। মদুদা থেংনবা য়াবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট খঙদে, য়ুম্লোন্নবা ষ্টেট খঙদে মদু থেংনমিন্নবা তাবনি।

ঐখোয় য়াম্না নুংশিননা চান্না চিন্ননা লৈমিন্নবা পাম্মী। য়ুম্লোন্নবা ষ্টেটশিংদগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা পামজদে অদুগা মণিপুরদসু খূৎ থিংজিনবীরক্কনু হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এম পি সিসিগী প্রসিদন্টে টি এন হাউকিপনা লুচিংদুনা মীয়াম্না বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেলগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা পার্টিগী এম এল এশিং, ফ্রন্টেল অমদি সেলগী লুচিংবা কয়া অমসুং ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা লংথবাল ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌপুরম্বা লাইশ্রম কুঞ্জহরিনা লৈখিদবদা এম পি সি সিগী মায়কৈদগী মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী ইতিহাসতা মণিপুরগী নীংতম লান্মীশিংগী...

লাম্ছেংনখিবগী ৱারী অসি মালেমগী ইতিহাসকী শরুক অমা ওইরিবনি। মসি কনানসু তাবীদবগুম তৌরি।

নীংতম লান্দা লাম্ছেংনখিবা মীওই কয়াগী মরক্তা কালা পানিদা লোই থাখিবা মীওইশিংগী মিং হৌজিক অন্দমান অমসুং নিকোবর আইলেন্দগী জেলদা লৈরিবা লিষ্টতা মণিপুরগী নিংথৌ মচা অমসুং মীওই অমত্তগী মিং য়াওরমখিদে। অসিগুম্বা ইশুশিং অসি পুখৎনবা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গভর্ণরনা হায়, ঐখোয় অসি নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী সিতিজেনশিংনি। লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কলহনবা অমসুং চাউখৎ লমজেলদা মাঙজিল থাহনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি। লমদম অসিবু শান্তি লৈহনলবা মতমদা মণিপুরগী চাউখৎ খোঙজেল অসি মাঙলোমদা চংশিনবা ঙমগনি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লিংজেল মান্নদবগী ময়োল অসি অমুক চোংখৎহনলরোইসি।

হৌখিবা ৱারী ওইরুরবা বন্দ অমসুং ষ্ট্রাইক অসি মণিপুরদা নৌনা ময়োল চোংলকপগুম তৌরক্লি। মসি য়াম্না হকচিন্না লৌবা চুমগনি। মসিগী চৈথেং অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মীচম মীয়াম্না ফংগদৌরিবনি হায়খি। মসি মীচম মীয়ামগী য়েংলগা য়ারিমখৈ তৌদনবা হোৎনসি হায়খি।

লমদম অসিদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি শান্তি ওইনা লোইশিন্নবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মীয়াম্না মতেং পাঙবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা ৱাথোক খুদিংমক শান্তি ওইনা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা চঙই হায়খি।

ঙসিগী অসিগুম্লবা নুমিৎ অসিনা শকখঙলবা অমসুং শকখঙহৌদ্রবা মীওইশিং অথৌবা কয়াগী থৌনা অদু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিনা মণিপুরীশিংনা মমা লৈবাক্কীদমক শক্তি লৈরবা বৃটিশশিংবু থৌনা ফনা লাম্ছেংনখিবগী ৱারী অদু মালেমগী মীয়ামদা খঙহল্লি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়, ঙসিগী পালন থৌরম অসিনা হৌজিক্কী মীরোলদা কথোকপগী ৱাখল্লোন অমা নৌহৌননা ফাওহল্লে।

ইং ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর থাদা হৌখিবা পেলেস রিভোল্ট অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা বৃটিশনা খূৎ থিংজিনলকখিবনি।

অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি হেক লাকপদগী থবক কয়া পায়খৎলকখ্রে। চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা ইমা কৈথেলশিং শাখ্রে। গভর্ণমেন্ট অসিনা হেক লাকপদগী চীং তম থোং মান্ননা চাউখৎমিন্নবা তোপোগ্রাফিকেল নিদবেজ বজেট শেমদুনা মসিগী মখাদা তমোংলোং দিষ্ট্রিক্টকীদমক তোখায়না লুপা ক্রোর ৯০ পীরকখ্রে।

চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর খরদা কেবিনেট মীফমশিং পাঙথোকখ্রে। খুঙ্গং চৎসি থৌরাংগী মখাদা লমদম অসিগী খুঙ্গং ২৫১৫গী মনুংদা খুঙ্গং ১০৭০ দা থৌরম পাঙথোকতুনা মীওই ১,৮৯,২৮২দা কান্নবা ফংহনখ্রে। মীওই ৬৯,৯৭১না চয়োল খর অসিদা খুঙ্গং চৎসি মিসনগী কান্নবা ফংহল্লগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাংগী মখাদা লুপা লাক্ষ ২ পীরম্বা অদু প্রাইম মিনিষ্টরগী আয়ুসমান ভারতকা পুন্না পায়খৎমিন্নদুনা এস ই সি সিদা চনবা ইমুংগী মীওই অমদা লুপা লাক্ষ ৫ ফাওবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীরগনি হায়খি।

সি এমগী লাইরিক তম্মীন্নসি থৌরাংগী মখাদা মহৈরোই লিশিং ১০ রোম নৌনা অমুক হন্না স্কুলশিংদা মীং চলহনখ্রে। এম য়ুগী হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক অথুবদা য়ান্নবা পুরক্লবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়খি।

মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎশিং পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তাদুনা লাক্লি। কুইনা থবক তৌরুদ্রবা এম এস টি নৌনা মথৌ তৌবা হৌহল্লে। ইম্ফাল দিল্লি দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈহল্লে। ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী শেম্না অয়াম্বা লোইশিল্লে। হেলিকোপ্টর সর্ভিস অথুবা মতমদা লৈহন্নবা তৌরি।

শেঞ্জা থুমজাগী থবক থিংনবা থবক লৌখৎলে। সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা লৈবাক অসি ঙাকপদা শিজিন্নগদবা ৯ এম এম গী পিষ্টোল ৫৬ মাঙখিবগী ৱাফম এন আই এদা শিন্নদুনা থিজিনহনবদা অয়াম্বা ফারে। পোলিটিসিয়ানশিং চেন্নবগী মমি তারে। মখা তানা য়াওরকখিবা য়ারি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা ঐগী মীগী হায়বা খাক্তনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগনি। হায়নিংবা হায়বা য়াবগী অয়াবা কন্সটিট্যুসন্না পী হায়দুনসু মদুগী অয়াবা অদুগী ৱাংমা লান্না লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টকী মায়োক্তা জাতিগী মায়োক্তা পঙাংদা ঙাংবদি তৌবিগনু। ইম্ফাল মনুংদা সি সি তি ভিশিং মথৌ তৌহনবা হৌরে। গভর্ণমেন্ট অসিদা মীয়াম্না মতম মতমগী ওইনা পাউতাক পীবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মাঙওইননা গভর্ণরনা লুচিংদুনা কংলাদা লৈবা খুভমদা অমসুং ফৈদাবুংদা লৈরিবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমদা গভর্ণরনা লুচিংদুনা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমখি। থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এ শিং, পুলিস অমসুং সিভিলগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।